# পাউনা অমদি থঙ্গাল কৈথেলগী লম্বীদা গাড়ি পার্কিং ওইশিনবদগী লম্বী চিনবগী চাং হেনগৎলক্লে

**বিজয় লাইশ্রম**

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): মীয়ামগী মীৎয়েংফম অমা ওইরিবা ইম্ফালগী পাউনা অমদি থঙ্গাল কৈথেলগী লম্বীদা গাড়ি পার্কিং ওইশিনবদগী মীয়াম চখোক-চৎশিন্দা খুরৌ থাংবগা লোয়ননা খুদোংচদবা কয়া তত্তনা মায়োক্লরে।

ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা পাউনা, থঙ্গাল অমদি বি টি রোদকী লম্বীগী নাকন্দা গাড়ি পার্কিং ওইশিন্দুনা পিকখ্রবা লম্বীশিং অসিদা চাকা মরি পানবা অমদি টু হ্বিলর য়াওনা মতম অয়াম্বদা গাড়িশিং খামজিন্দুনা থম্বা অসিনা মীয়ামনা খ্বাইরমবন্দ কৈথেলদা পোৎ-চৈ লৈবা লাকপা অমদি থবক অথু-অকায়গী চখোক-চৎশিন তৌবদা লম্বী চিনবদগী য়াম্না তোয়না অৱাবা মায়োক্লরে।

পাউনা কৈথেলগী লম্বীগী মমাংথংবা দুকানশিংগী মমাংদা পরেং শানা অয়ুক নুমিদাং খাক্তনা গাড়ি ময়াম খামজিন্দুনা থম্বা অসিনা ইম্ফাল সিটিবু মশক থিহনবতা নত্তনা মোৎপগী চাংসু নোং-নোংমগী হেনজিল্লক্লে। গাড়ি ময়াম খামজিন্দুনা থম্বা অদুনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মীওইশিংনা ইম্ফাল সিটি লু-নান্না থম্নবা হোৎনবদা অমোৎপা লৈবা মফমশিংদা গাড়ি খামজিন্দুনা লৈবনা অমোৎপা শেংদোকপা য়াদ্রে।



করিগুম্বা নুংশিৎ শিৎলকপা অমদি গাড়ি থৌবা মতমদা উফুলনা তুংদা লাকপা মীওইশিংদা খুদোংচদবা কয়া থোকহল্লে। মসিদসু নৎতনা দুকান ফল্লিবশিংদসু পোৎ-চৈশিংদা উফুল পায়শিল্লকপদগী য়াম্না তোইনা শিৎ-শেংবা অমসু মথৌ তারি।

লম্বীগী নাকন্দা দুকান ফল্লিবা অহল অমনা ফোঙদোরকপদা, দুকানগী মমাংদা গাড়ি ময়াম খামজিন্দুনা পার্কিং ওইশিনবা অসিনা পোৎ লৈবা লাকপা কষ্টমরশিংনা চংথোক-চংশিন অমদি পোৎ পুথোক-পুশিন তৌবদা তত্তনা খুরৌ থাংই। গাড়ি অচৌবা পুরক্লগা ঙাইহাক খাল্লগা পোৎ লৈনবা হোৎনবদা হান্না গাড়ি ময়াম খামজিল্লম্বনা নৌনা গাড়ি থম্ফম লৈতবদগী অৱাবা কয়াসু কষ্টমরশিংনা মায়োক্লরি।

খ্বাইরমবন্দ কৈথেলগী লম্বী অসিদা অয়ুক অমদি নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা খোঙনা তোয়না ৱাকিং চৎচবা মীয়াই চল্লবা অহল খরানা ফোঙদোরকপদা, পাউনা অমদি থঙ্গাল কৈথেলগী লম্বীগী নাকন্দা হান্না গাড়ি পার্কিং ওইশিন্দ্রিঙৈ মতমদা খোঙনা ৱাকিং চৎপদা য়াম্না নুংঙাইরম্মী । অদুবু লম্বীগী তঙ্খায় অমা গাড়ি পার্কিং ওইশিনখ্রবা মতুংদগীদি লম্বীসি পিকশিল্লকপনা খোঙনা ৱাকিং চৎপদা গাড়ি অচৌবা অমা লাকপদা থৈদোক্তুনা চৎনবা হোৎনবদা খুদোংচদবা কয়া মায়োক্লরে। মফম অসি বন্দ নুমিৎ ফাওবদা গাড়ি ময়াম খামদুনা লৈরম্বা মীয়াম্না থেংনরি।

খ্বাইরমবন্দ কৈথেলগী পাউনা অমদি থঙ্গাল কৈথেলগী এরিয়াদা দুকান ফমদুনা লৈবা মীওইশিং অমদি যুম শাদুনা লৈবা মীওইশিং মখোয় মশাগী গাড়ি অচৌবা লৈরগসু গাড়ি গেরেজ লৈতবনা লম্বীগী নাকন্দা গাড়ি খামজিন্দুনা তোয়না থম্বদগী মীয়ামগর চৎথোক-চৎশিন্দা তত্তনা অপনবা পীরি। মসিদা নৎতনা পাউনা অমদি থঙ্গাল কৈথেলদা খুদক্কী ওইবা মৈহৌ -লাংপোক থোরকপা মতমদা মৈ কন্নবা ফয়ার সর্ভিসকী গাড়িশিং লাকপা অমদি চংথোক-চংশিন তৌবদসু অয়াম্বা মতমদা অপনবা ওইরি।

মরম অদুনা পাউনা, থঙ্গাল অমদি বি টি রোদনচিংবা লম্বীগী নাকন্দা গাড়ি পার্কিং ওইশিন্দুনা পুং ২৪ চুপ্পা অয়াম্বা মতমদা গাড়ি খামজিন্দুনা থল্লীবা অসি অতোপ্পা মফমদা হোংদোকহনবা য়াম্না মথৌ তারে। মীশিংনা নোংমা-নোংমগী হেনগৎলকপনা ইম্ফালগী খ্বাইরমবন্দ কৈথেলগী পাউনা অমদি থঙ্গাল কৈথেল লম্বীদা আই এম সীনা গাড়ি পার্কিং ওইশিন্দুনা শেন্দান লম্বী ওইশিল্লিবা অসি অতোপ্পা মফম চাবা অমদা য়েংলগা হোংদোকহনবা মীয়াম্না পাম্মী।

হীরম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওফিসরশিংনসু অকনবা মীৎয়েং চংবীদুনা লম্বীগী নাকন্দা গাড়ি পার্কিং ওইশিল্লিবা অসি অথুবা মতমদা হোংদোকপীবনা মীয়ামগী তুংগী পুন্সিদা অফবা ওইগনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা মীয়ামগী মপী-মপা ওইনা লৈরিবা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টরনসু অকনবা মীৎয়েং চংবীনবা হায়রি।

# ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী স্কুল শঙ শঙ্গাখ্রে

ককচিং, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং ফৌসুপাৎ লৈকায়দা লৈবা ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল ককচিংগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক য়াওনা কা ১০ লৈবা স্কুল শঙ ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা অথোয়বা মীথুং ওইদুনা শঙ্গাখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন (এস) লোয়শঙগী মখাদা শাখিবা স্কুল শঙ শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা য়েঙ্খোম সুরচন্দ্র এম এল এ ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিনা থৌরম মপু অমসুং এম দি ফজুর রহমান এম এল এ ৱাবগাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

অথোয়বা মীথুং ওইখিবা টি ঐচ রাধেশ্যাম এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা মহাক্কী ৱারোল পীরদুনা হায়, মহৈ তম্লুরগা থবক ফংলোইদ্রা, মহৈ তম্লুবগী কান্নবা ফংলরোইদ্রা হায়বা অকিবা পাখৎপা অমা মহৈরোয়শিংদা ফাওরিবা, মশানা-মশাবু থাজবা ৱাৎপদৌনা তৌরি। ট্রেনিং ফংলুরবা হৈথোয়-শিংথোয়রবা মতমদা লাক্লিংবা লাকচসনু থেংনবা ঙমগনি হায়গদবনি। অখিবা পখৎপা ফাওরিবা অসিনা তাকপদি ঐখোয়গী পুক্লিংদা মথৌ তারিবা অসি হীরম অমদা হেক্তা, কন্দিসন অমদা হেক্তমক শিজিন্নবা য়াবা ক্বালিটি য়াওবা এদ্যুকেসন পীবা মথৌ তাই। মদুদি করিনো হায়বা মতমদা মহৈ তম্বা লোইরবা মতমদা ঐ থবক ফংলোই হায়না পাখৎপগী মহুৎতা ঐনা মী কয়াদা থবক পীগনি হায়বগী ৱাখল্লোন ফাওবা ঙম্বা মীওই পুথোকপা মথৌ তাই।

ওজাশিংনা খংজা-হৈজরিবা অদুখক থৱাই হকচাং য়াওনা তাকপী-তম্বীরবা, মহৈরোয়শিংবু মচামক্লি হায়না খনবীরবদি ঐখোয়গী মণিপুরদা লৈরিবা মহৈরোয় খুদিংমক হীরম খুদিংমক্তা হৈথোয়-শিংথোয়বা, মীথোয়-মীহেনবা ঙম্বা ঙাক্তা ওইগনি। ওজাশিংনা অঙাংশিংবু পূক্লিং থৌগৎপগী ৱাখল হায়বীবা, মালেমদা মায় পাকখ্রবা মীওইশিংনা কমদৌনা মায় পাক্লকখিবগে হায়বা ৱারিশিং লীবিদুনা মহৈরোয়শিংবু মায়পাকপগী লম্বীদা লাকহন্নিংনবা ৱারিশিংসু ওজাশিংনা লীবিবা হৈবা মথৌ তাই। এগজামিনেসনদা মার্ক য়াম্না ফংদে নৎত্রগা ফেল ওইরে হায়দুনা চৈবীবা, পূক্লিং হন্থগদবা ৱাহৈ-ৱাতা শিজিন্নদুনা ঙাংবীবা অমদি ফুবিবা তৌবীরোইদবনি। মদুগী মহুৎতা অঙাং অদুবু নুংশিবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নদুনা অমুক্কা হোৎনরগা হেন্না মায় পাক্লবা হোৎনরগা লোইরে হায়বনচিংবা পূক্লিং হন্থদনবা ৱাহৈনা থেন্থীগদবনি। ময়ুমদা মমা-মপা খৎনবা, মমা নৎত্রগা মপা লৈতবগী অৱাবা নুংঙাইতবা কয়া অদু স্কুলদা লাক্লবা মতমদা ওজাশিংনা নুংশিনা লোয়নবীদুনা ময়ুমগী অৱাবা কয়া অদু কোকথোকহনবা ঙম্লবা, স্কুলগী লাইব্রেরিদা ফমদুনা লাইরিক পানিংবগী ৱাখল্লোন ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংদা ফাওহনবা ঙম্লবদি ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংগীদমক হোৎনজরিবা অদুগী শরুক তঙ্খায় অমদি মায় পাক্লবনি হায়না লৌবা য়ারবনি।

ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংবু ফুবা-চৈবিরবা, হোম ৱার্ক ময়াম-ময়াম পীশিনবীরবদি মহৈরোয়শিংদা অৱাবা ময়াম-ময়াম পীশিনবীরবদি মহৈরোয় অদু কৈদৌনুংদা স্কুল লাক্লিংলোয়। ওজা অমসুং মহৈরোয় অনিগী মরক্তা নুংশিনবা, থাজনবা অফবা মরী অমা থম্নবগীদমক ওজাশিংনসু হোৎনবিগদবনি। ওজাগী ক্লাস লৌবা মতমদা মহৈরোয়শিংদা তানিংহনবা, নুঙাইবা ফাওহন্নবসু হোৎনবীগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসি শঙ্গাখিবা স্কুল শঙ অদুদা ক্লাস রুম ৫, কম্প্যুটর, একাউন্ট সেক্সন, জেনরেল সেক্সন, প্রিন্সিপালগী কা অমসুং ভাইস প্রিন্সিপালগী কা, নুপীমচা অমসুং নুপামচাশিংগী তোঙান-তোঙানবা টৈইলেটসু য়াওরি।

# সী এ এফ এন্দ পি দি লেবর এসোসিএসন জিরিবাম ব্রাঞ্চকী মীফম ফমখ্রে

জিরিবাম, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা জিরি ন্যুজ নেটৱার্কস (জে এন এন)গী কনফরেন্স হোলদা ঙসি সী এ এফ এন্দ পি দি লেবর ৱেলফেয়র এসোসিএসন জিরিবাম ব্রাঞ্চকী ওইবা পাউগী মীফম ফমখ্রে।

ঙসিগী পাউগী মীফম অদুদা সী এ এফ এন্দ পি দি লেবর ৱেলফেয়র এসোসিএসন জিরিবামগী জেনরেল সেক্রেটরি হুইরেম দিনাকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, এন আর মথাই ইন্টরপ্রাইজনা সী এ এফ এন্দ পি দি লেবর ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী লেবরশিংদা ওৎ-নৈবগী থবক অসি ঙসিফাওবা চথবা লেপট্রি। হন্দক্কী দিসেম্বর থা অসিদা ঙসি ফাওবা এসোসিএসন অসিগী লেবরশিংদা এন আর মথাই ইন্টরপ্রাইজকী রিপ্রজেন্টেটিভ ওইনা পুরিবা জোন্সননা চে-চাং শুবা লোইদ্রি হায়দুনা এফ সী আই গোদাউন মনুংদা থবক শুবা চংবগী পার্মিৎ কার্দ পীবিদনা লৈরি। মরম অসিনা লেবরশিংনা য়াম্না পেন্দবা অমগা লোয়ননা প্রেস মিৎ অসি ফমজবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খিবদা এন আর মথাই ইন্টরপ্রাইজনা আর ও অমদি দালাগী শেল লেবর মশা-মশানা ফংজগদবনি হায়খিবা লৈরবসু ঙসি ফাওবদা শেল ককপগী থবকশিং অসি চথদুনা লৈরি। অমদি মতম কুইনা জিরিবামগী এফ সী আইদা থবক শুজরক্লবা অসামলোমদগী চংলকপা মৈতৈ ইচিল-ইনাওনা লেবর ওইনা লাকচবদা চংবা য়ারোই হায়দুনা থিংবা অসিনসু মণিপুরগী মপান লমদা তারিবা ইচিল-ইনাওশিংদা নুংশি চান্নবগী মরীদা চাওনা অকায়বা লাকপা য়াবগী থৌশিল চথবীরে হায়খি।

মহাক্না হীরম অসিগী মতাংদা জিরিবামগী মীয়াম অমদি তোঙান-তোঙানবা সিভিল ওর্গনাইজেসনশিংনা লেবরশিংগী অৱাবা অসি উবীদুনা অচুম্বা ৱায়েল পুথোকপীয়ু হায়দুনা মতেং নীবগা লোয়ননা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়খি।

# কম্বাইন টিমনা কে সী পি (নোয়োন) গ্রুপকী মীওই অহুম ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিস্নেল এস পি (ওপস) টি ঐচ কৃষ্ণতোম্বীগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দো ও সী ইন্সপেক্টর ফুলচান্দ অমদি ইন্সপেক্টর সজিব অমসুং ২৯শুবা অসাম রাইফলস য়াওবা কম্বাইন টিম অমনা কে সী পি (নোয়োন) গ্রুপকী মীওই অহুম ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লৈখোঙ ইন্ট ভিলেজ লম্বীগী ৱেটিং সেদতগী ফারে হায়রি।

ফারবা মীওই অহুম অদুদি, লল্লাই ময়াই লৈকায়দগী খায়দেম নাওবা এলিয়স তেলহৈবা এলিয়স খাঙানবা (১৮) অপোকপা বুধা, চঙাংগৈ ময়াই লৈকায়দগী অবুজম রাহুল এলিয়স চীং (২০) অমদি অংথা মনিং লৈকায়দগী লাইতোংবম জয়কিষন এলিয়স নাওখম্বা (১৯) অপোকপা এল তোম্বা কৌই।

পুলিসকী পাউনা হায়, ফারবা মীওই অহুম অদু ম্যান্মারগী লৈপোক কেম্পতা বেসিক মিলিটরি ট্রেনিং ফংলবা মীওইনি। মখোয় অহুম ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লৈরোংথেল পিট্রোদা লৈরগা অনৌবা কাদর খরা রিক্রুট তৌনবা লাকপদা ফাবনি হায়রি। ফারবা মীওইশিং অদু মখা তানা ৱাহং-পাউহং চথনবগীদমক কনসর্ন পুলিস ষ্টেসনদা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা খুৎশিন্নখ্রে।

## CONDOLENCE MESSAGE



The faculty and staffs of Government Polytechnic, Imphal deeply mourned on 26th Dec, 2019, the sudden and untimely demise of Shri L. B. Sudhir (Senior Lecturer) by observing a two-minute silence.

The gathering expressed its heart-felt condolences and shared in the grief of the bereaved family and prayed to the almighty for the peaceful rest of the departed soul in his heavenly abode.

**Sd/- R.K. Nando Singh**
**Principal**
HL-P/5589/27 **Government Polytechnic, Imphal.**

## /দশা য়েংজরি



জন্ম কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। দশা লাংফম কোক্লবা, মহৈ-মশিং ফগৎনবা, পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংনবা, অৱাংবা পারিক্ষাদা মায় পাক্লবা, হায়না তানবা ইন্নবা, নিষা-পাষা চাদনবা, থবক করবার ফগৎনবা, প্রমোসন-ভোট কাননবা, শেল হেন্না লাক্লনবা, শেল তোনখিবা শিংলক্লবা, পুৎথবা শেনফম হঙ্গৎনবা, লৌ-ইংখোল লেপ্পা ঙম্নবা, ফজবা য়ুম শাবা ঙম্নবা, ইংখোলদা য়েংশিনবা ঙমদনবা, খৎনবা-য়েৎনবা কেস ঙম্ননবা, ইমুং-মনুং ৱাখল তিন্ননবা, য়ুম্বাল মরা চেৎননবা, অঙাং পোক্তবা ফংনবা, হকচাংগী অরুবা অনাবা কোক্লবা, লাইগী-মীগী পোৎশেম-যাদু চঙদনবা ঙসিমক লাক্তুনা মতম লৈরিঙৈ ফনবা তান্নবিয়ু। অয়ুক পুং ৭তগী ১১ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

*Contact:*-**Jyotish Maharishi Dr. Ph. Rajendra**
(International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
HL-P/5567/12dec-13/01 Near Community Hall, Imphal East

## /ৱাহেংবম অৱাংতাবম ফুরুপকী অপোকপগী থৌরম পাঙথোকপগী পাউজেল

লাক্লিবা তাং ৩১/১২/২০১৯ ইং ৱাকচীংগী ৫নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ৱাহেংবম অৱাংতাবম অপোকপগী চাকনৌ তংবগী নুমিৎ থোক্লে। নুমিৎ অসিদা ইরমদম অসিদা লৈবিরিবা ৱাহেংবম অৱাংতাবম ফুরুপকী ফুরুপচাশিংনা ৱাঙ্গাইদা লৈরিবা অপোকপগী খুভম অসিদা লাকপীদুনা চাকনৌ তংবগী থৌরম অসিবু শরুক য়াবীয়ু। কনাগুম্বা য়াওবীনীংবশিংনা মখাদা পীজরিবা নম্বরশিং অসিদা লাক্লিবা তাং ২৯/১২/২০১৯ ফাওবগী মনুংদা পাউ পীবিরকউ।

**M/Nos. 1) 8257837396 - W. Meipak, Patsoi**
**2) 8974281329 - W. Basanta, Wangoi**
HL-P/5588/27,28 **3) 7629080645 - W. Jadumani, Wangoi**


# Wisdom Foundation (WisFou)

Khangabok, Near Dist. Hospital, Behind S.P. Office Thoubal

A Residential School

*Vision*: Excellence

**ADMISSION OPENS 2020 (Class : II - X)**

- Fully Residential School
- Personality Development
- Well Experienced Teachers
- Nutritive food (organic)
- Seat Limitation
- Computer & Smart Class
- Wi-Fi Campus
- Fully English Speaking School
- Hostels in seperated Campus for Boys & Girls
- Seperated Playgrounds for Boys & Girls
- High Morality & Disciplined school
- Spacious, airy and cosy furniture classroom
- C.C. T.V. Camera at school & hostel campuses
- 24 x 7 service by teachers and security

নৌনা মিং চল্লরবা অঙাংশিংবু থা মরীগী মনুংদা English অমদি Hindi ঙাঙবা ঙমহনবতা নত্তনা অশোনবা Subject শিং তোঙাম্না তাকপি-তম্বীদুনা থা অহুমগী মনুংদা ফগৎহল্লি।

**100% Pass in HSLC Examinations:**

1st batch 2015 : Appeared : 22, 1st Div : 21, 2nd Div : 01, 3rd Div : Nil, Pass 100%
2nd batch 2016 : Appeared : 36, 1st Div : 26, 2nd Div : 10, 3rd Div : Nil Pass 100%
3rd batch 2017 : Appeared : 37, 1st Div : 27, 2nd Div : 10, 3rd Div : Nil Pass 100%
4th batch 2018 : Appeared : 49, 1st Div : 33, 2nd Div : 16, 3rd Div : Nil Pass 100%
5th batch 2019 : Appeared : 45, 1st Div : 42, 2nd Div : 03, 3rd Div : Nil Pass 100%

Classwise vaccant seats : Cl-II : 30 Cl-III : 25 Cl-IV : 20 Cl-V : 15 Cl-VI : 15 Cl-VII : 15 Cl-VIII : 13 Cl-IX : 12 Cl-X : 05

First Come! First Serve! # 7005875713, 7085942700 Sd/- Principal

HL-P/5592/27



# BRIGHTER ENGLISH ACADEMY, OINAM

*A co-educational High School*

*Affiliated to Board of Secondary Education, Manipur*

**RUN BY MDFI INTERNATIONAL**

**INVITES APPLICATION FOR THE FOLLOWING POST**


| Post | Qualification | Experience | Salary | No of Post |
|---|---|---|---|---|
| Social Science | M.A + D.El.Ed / B.Ed | Min 2 years of teaching experience. | 15k -20k | 4 |
| Mathematics | M.SC + D.El.Ed / B.Ed | Min 2 years of teaching experience. | 15k -20k | 4 |
| Meitei Mayek | M.A + TET Qualified + D.El.Ed | Min 2 years of teaching experience. | 15k -20k | 4 |
| Science | M.SC + D.El.Ed / B.Ed | Min 2 years of teaching experience. | 15k -20k | 4 |
| English | M.A [ENG] + D.El.Ed /B.Ed | Min 2 years of teaching experience. | 15k -20k | 4 |

# Application form can be had from office of the Academy, &
# Manipur Development Financial Investment [MDFI] Keishampat and Konung Mamang office.
Last date of issuing & submission of Recruitment Application form :- 10th Jan.2020.
Date of Personal Interview [PI] will be notified later.

Sd/-
Headmaster

HL-P/5597/27,28,29,30,31


## /শ্রাদ্ধ (শোরাৎ) কী পাউজেল



মতম শাংনা ইম্ফাল ত্রেজরিদা থবক তৌরম্বা শ্রীসাপমঁ গৌরকুমার সিংহনা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা হৌখিবা তাং ১৭/১২/২০১৯ ইং, পোইনুগী ২১নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈখিদ্রে। হৌখিবা তাং ২২/১২/২০১৯ ইং, পোইনুগী ২৬নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ৩০/১২/২০১৯ ইং, ৱাকচিংগী ৪নি পানবা নিংথৌকবা নুমিত্তা শ্রাদ্ধ (শোরাৎ) পাঙথোকচগদৌরি। নুমিৎ অসিগী অয়ূক্কী পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা লৈখিদ্রবগা তিন্নবিরম্বা/ লোয়নবিরম্বশিংনা মতম চানা লাকপীদুনা থৌরম অসিবু য়াওবিরনবা অমদি প্রসাদি ফংবিরনবা নোল্লুকচরি।

**নোল্লুকচরিবী - সাপম ওংবী রানি দেবী (সহধর্ম্মিনী)**
**শগোলবন্দ তেরা অখাম লৈকায়,**
HL-P/5591/27 **অমুদোন লৈরক, ইম্ফাল**

## / খঙহঞ্জবা


25-12-2019

শিংজমৈ টোপ লৈকায়দা লৈরিবা কম্যুনিতি হোল অসি শেমজিন-শাজিনবগী থবক থৌরম তৌরিবনা হান্না লৌখিবা থবক-থৌরম নত্তনা মখা তাবা থবক মতম খরগী ওইনা লৌজখিরোই।

খঙহঞ্জরিবা :-**Social Upliftment Organisation (SUO)**
HL-P/5586/27 **Singjamei Top Leikai**


# ADVANCED COACHING INSTITUTE

**FOUNDATION COURSE FOR CLASS 6 TO 12 — 23RD DECEMBER 2019**




VAN SERVICE BOTH IN MORNING & EVENING

SPECIAL CONCESSION
1. 50% OFF IN REVISION COURSE (Ex students).
2. SPECIAL FEE CONCESSION ON 90% AND ABOVE IN X EXAM.
3. REGULAR MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY.
4. SPECIAL FEE CONSESSION ON GOVT. SCHOOL

RAPID MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
- BASE ON BOSEM, COHSEM & CBSE EXAM PATTERN SYSTEM
- TO SCORE HIGH MARK AND QUESTION ANALYSIS OF PREVIOUS YRS

TIME
04.40 — 7.40 A.M
10.00 — 4.00 P.M
01.00 — 5.00 P.M
04.30 — 7.30 P.M

BOYS' & GIRLS' HOSTEL AVAILABLE

**REVISION COURSE 2019**

| CLASS | X/BOSEM | X/CBSE | XII (Sc) | XII (Arts) |
|---|---|---|---|---|
| DATE | 19TH & 23RD Dec. | 19TH & 23RD Dec. | 13TH & 23RD Dec. | 13TH & 23RD Dec. |

Vacation Course Of 20 Days, class 6 — 12

NAGAMAPAL LAMABAM LEKAI, NEAR RIMS ROAD JUNCTION

FOR QUARY : 9862992105

HL-B/575799/12nov. to 11 dec.



## /মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি । এন ইবোহল মীতৈ

চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীওথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্ল ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীভৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউনাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্ল ফহনবা ঙমজরে।
**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**

Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. **9612225582** **DR. N. IBOHAL MEITEI,**
HL-B/5858/1/12-31/12 **State & National Awardee**